# অহানবা ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টদা এম আই কে ঐচ ৱাই এ অমদি এ এম ৱাই সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সাইনিং ষ্টার দিভলমেন্ট এসোসিয়েসন বেঙ্গুননা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী টিম ১১ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়াদোক্তুনা বেঙ্গুন মখা ভোল্লিবোল গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০দা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াংইম্ফাল, এ এম ৱাই সি অন্দ্রো, ৱাই এস সি কে খেলাখোং অমদি এল ই দব্লিউ এ লমদিং মায় পাক্লুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-সিগী এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াংইম্ফাল অমদি এল সি এল লাইফ্রাকপমনা শন্নখিবা মেটচতা এম আই কে ঐচ ৱাই এনা এল সি এলবু সেট ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াংইম্ফালনা পোইন্ট ২৫-২১, ২১-২৫, ১৫-২৫, ২৫-২৩, ১৫-১০ স্কোর তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-এগী এ এম ৱাই সি অন্দ্রো অমদি কে ৱাই এল এস সি কাচিখুলনা শান্নখিবা মেটচতা এ এম ৱাই সিনা কে ৱাই এল এস সিবু সেট ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এ এম ৱাই সি অন্দ্রোনা পোইন্ট ২৬-২৪, ২৫-২৩, ১৫-২৫, ২১-১৫, ১৫-৯ স্কোর তৌখি।

মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-দিগী ৱাই পি এ হিরানমৈ অমদি ৱাই এস সি কে খেলাখোংনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই এস সি কেনা ৱাই পি এবু সেট ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা ৱাই এস সি কে খেলাখোংনা পোইন্ট ২৫-২১, ১৯-২৫, ২৫-১৭, ২২-২৫, ১৫-৫ স্কোর তৌখি।

মঙাশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মরিশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-সিগী এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াংইম্ফাল অমদি এস ৱাই দি সি শান্থেলনা শান্নখিবা মেটচতা এম আই কে ঐচ ৱাই এনা এস ৱাই দি সিবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াংইম্ফালনা পোইন্ট ২৫-১৫, ২৫-১৮, ১৬-২৫, ২৫-২০ স্কোর তৌখি।

তরুকশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মঙাশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-এগী এ এম ৱাই সি অন্দ্রো অমদি এল ই দব্লিউ এ লমদিংনা শান্নখিবা মেটচতা এল ই দব্লিউ এনা এ এম ৱাই সিবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এল ই দব্লিউ এ লমদিংনা পোইন্ট ২৩-২৫, ২৫-১২, ২৫-২১, ২৫-৯ স্কোর তৌখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা এম এস দব্লিউ সি অমদি ৱাই দি এগা শান্নগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দা এল ই দব্লিউ এ অমদি কে ৱাই এল এস সিগা শান্নগনি। অহুমশুবা গ্রাউন্দনা এল সি এল অমদি এস ৱাই দি সি গা শান্নগনি। অদুগা মরিশুবা গ্রাউন্দনা বি এস এ অমদি ৱাই পি এগা শান্নগনি।

# লনচেনবী এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ট্রস কিয়াম্গৈ, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৯ দগী কিয়াম্গৈ আইদেল হায়স্কুল গ্রাউন্দ, কিয়াম্গৈ মখা লৈকাইদা টিম ১৬ না নোক অউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ১১ শুবা এম রবিচন্দ্র নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি জোন এফ সি অচানবীগৈ অমদি লনচেনবী এফ সি তবুংখোকনা শান্নখিবা মেটচতা লনচেনবী এফ সিনা জোন এফ সিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা লনচেনবী এফ সি তবুংখোককী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনিট ২৮ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৮ সনানা অমসুং অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৩৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ৬ মহেসনা চনখি। মায়থিরবা জোন এফ সি অচানবীগৈগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অহানবা হাল্ফকী মিনিট ১০ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ এস বিশ্বরজিৎনা চনখি।

মেটচ অসিদা জোন এফ সিগী জর্সি নম্বর ৩ তোম্বা অমসুং লনচেনবী এফ সিগী জর্সি নম্বর ৭ ঙৌবদা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

হয়েং এম সি ৱাই সি ন্যু চেক্কোন অমদি পাম্থোইবী এফ সি লংথবালনা নুংথিল পুং ২ তাবদা টুর্নামেন্টগী মরিশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# ষ্টেটকী ইলাইট বোক্সিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৩ দগী ৬ ফাওবা অসামগী চিরাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা বি এফ আই নোর্থ ইষ্ট জোন বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০২০ ( ইলাইট মেন এন্দ ৱুমেন) দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর এমেটচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী ওফিসিয়েল ৩ য়াওনা পূন্না বোক্সর ১৭ ঙসি চিরাংগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগদবা ইলাইট ৱুমেন বোক্সরশিং অদুদি- থৌনাওজম ইলিজা দেবী ( কেজি ৪৫-৪৮), হেমাম সনাথোই ( কেজি ৪৮-৫১), সোরাইশম রোজিতা চনু ( কেজি ৫১-৫৪), হুইনিংশুবম অশালতা চনু ( কেজি ৫৪-৫৭), বোঞ্জান সোনিয়া ( কেজি ৫৭-৬০), নিংথৌজম সুজালতা দেবী ( কেজি ৬০-৬৪), নিংথৌজম মেনেকা দেবী ( কেজি ৬৪-৬৯) অমদি কোলোম বিদিয়ালক্ষ্মী ( কেজি ৬৯-৭৫)নি।

ৱুমেন টিম অসি এল কিসন সিংহনা কোচ অমসুং সাপম তরুনকুমার সিংহনা কোচ কম মেনেজর ওইনা লুচিঙল্লি।

ইলাইট মেন বোক্সরশিং অদুনা- হাওবিজম পাওলিন কুমার মৈতৈ ( কেজি ৪৬-৪৯), সনজরম সুরেস সিংহ ( কেজি ৪৯-৫২), লাইখুরাম সান্তিকুমার সিংহ ( কেজি ৫২-৫৬), অকোইজম নাওতোন মৈতৈ ( কেজি ৫৬-৬০), মোইরাংথেম মাইসন ( কেজি ৬০-৬৪), খোইনাজম সনামচা সিংহ ( কেজি ৬৪-৬৯), থোকচোম ইবোয়াইমা সিংহ ( কেজি ৬৯-৭৫), তখেলম্বম রাজেশ্বর সিংহ ( কেজি ৭৫-৮১) অমদি শরাংথেম হরকুলি সিংহ ( কেজি ৮১-৯১) নি।

মেন টিম অসি শাপম তরুনকুমার সিংহনা কোচ অমসুং পি ঐচ দেবশ্বর শর্ম্মানা কোচ কম মেনেজর ওইনা লুচিঙল্লি।

# ইমোইনু ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ

য়ুঠ পেরাদাইস ক্লব গোলতাবি, য়ুঠ প্রোগেসিপ ফ্রন্ট য়াইঙপোকপী, য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নপোকপী অমদি সনাশাবী য়ুঠ ক্লব সনাশাবীনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী য়াইঙপোকপী প্লে-গ্রাউন্দা টিম ১২ না গ্রুপ-৪ থোক্লা শরুক য়াদুনা ৬ শুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন'স সবেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ শান্নবা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা তেলৌ চনা শৈজাং গ্রাম পাঞ্চয়দকী জিল্লা পরিষদ মেম্বর এ জামিনি, য়াইঙপোকপী ভিলেজ কম্মীটিগী চিয়রমেন টিঐচ ইতোচাওবী মৈতৈ অমদি তেলৌ চনা শৈজাং গ্রাম পাঞ্চয়দকী প্রধান ঐচ নিমাইনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

৬শুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইস মেন'স সবেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ-এদা ৱাই পি এফ য়াইঙপোকপী, এম পি ৱাই সি মোইরাংপুরেল, এন এল এম ৱাই সি এল নুঙ্গোই অমদি ৱাই দব্লিউ এস সি শবুংখোকনি। গ্রুপ-বিদনা এম ৱাই সি এল লৈমাখোংমপাল, এস ৱাই সি সনাশাবী, এস ৱাই দি আই সি শৈগাং অমদি ৱাই দি সি থম্নাপোকপীনি।

গ্রুপ-সিদনা ই য়ু এস সি তেলৌ, এস পি ৱাই সি শৈজাং, বি এস য়ু নোংপোক ককচিং অমদি এন এন সি কে এ নোঙ্গেংনি। গ্রুপ-দিদনা লমলাই এফ সি লমলাই, ও এন ৱাই সি নিংথেমচা খুল, কে এল এস সি কোম্থা খাবম অমদি ৱাই দি সি এল পুঙদোংবমনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ৪ গী নুংথিল পুং ১২ তাবদা গ্রুপ-এগী ৱাই পি এফ য়াইঙপোকপী অমদি ৱাই দব্লিউ এস সি শাবুংখোকনা শান্নগনি। অদুগা থা অসিগী ৫ গী অয়ুক পুং ৭ তা গ্রুপ-বিগী এম ৱাই সি এল লৈমাখোংমপাল অমদি এস ৱাই দি আই সি শৈজাংগা শন্নগনি। অয়ুক পুং ৮.৩০ দনা গ্রুপ-বিগী ৱাই দি সি থম্নাপোকপী অমদি এস ৱাই সি সনাশাবীগা শান্নগনি। নুংথিল পুং ১২.৩০ দনা গ্রুপ-এগী এম পি ৱাই সি মোইরাংপুরেল অমদি এন এল এম ৱাই সি নুঙ্গোইগা শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২ তাবদনা গ্রুপ-সিগী বি এস য়ু নোংপোক ককচিং অমদি এন এন সি কে এ নোঙ্গেংনা শান্নগনি।

# লাইরেম্বী কপ হৌখ্রে, নুঙব্রাং এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ নুঙব্রাং ফুটবোল ক্লবনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ১৩ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ঙসিদগী নুঙব্রং প্লে গ্রাউন্দা অনীশুবা লাইরেম্বী কপ ২০২০ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা তুমুখোং মোইরাংপুরেল গ্রাম পঞ্চয়দকী প্রধান খুমন্থেম থাসনা লৈমা, এন টি এল ৱাই সিগী প্রসিদেন্ট নমৈরাকপম নিমাইচান্দ মীতৈ, ৱার্দ মেম্বর নিমাই মীতৈ, নুঙব্রং মৈরাপাইবীগী প্রসিদেন্ট খুমন্থেম বিনোতা লৈমা, এন এম পিগী সেক্রেটরী শাদোকপম সুনিতা লৈমা, কঙলা উক্কোক মেমোরিয়েল ইংলিশ স্কুলগী ভাইস প্রিন্সিপাল খুন্দোংবম ধনঞ্জয় মীতৈ, ৱার্দ মেম্বর খুমন্থেম ইবোমচা মীতৈ অমদি নাওরেম নাওবা মীতৈনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা নুঙব্রং এফ সিনা মমি থৱানবু গোল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা নুঙব্রং এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ প্রেমচান্দনা মিনিট ৪, জর্সি নম্বর ২ ইরাবটনা মিনিট ৩২, ৭৪ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ অদুনা জর্সি নম্বর ১০ প্রদিপ কুমারনা মিনিট ৬২ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা মমি থৱানগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৭ খাবানা মিনিট ২৪, জর্সি নম্বর ১৬ দব্লিউ রোসননা মিনিট ৩৪ অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ মাইকেলনা মিনিট ৫২ দা চনখি।

# এম আর সি মায় পাকখ্রে,এন এস য়ু অমদি ঐচ এন এস সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ চাজিং ইনাৎ কনবা লুপ (চিক্কল) লিল্লোং চাজিংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৯ দগী চাজিং কাঙজেবুংদা টিম ১২ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ৩১ শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম আর সি চাজিং মাইরেনখোং লৈকাই মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এন এস য়ু নরানকোঞ্জিল মমাঙ লৈকাই অমদি ঐচ এন এস সি হাওরৈবী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-সিগী ৱাই সি জি সি চাজিং কোঞ্জেং লৈকাই অমদি এম আর সি চাজিং মাইরেনখোংনা শান্নখিবা মেটচতা এম আর সিনা ৱাই সি জি সিবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এম আর সি চাজিং মাইরেনখোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ কে নরেসনা মিনিট ২৫ অমসুং ৩২ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ অদুনা জর্সি নম্বর ১৯ এস মেঘেননা মিনিট ৪৩ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা ৱাই সি জি সি চাজিং কোঞ্জেং লৈকাইগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৯ ও জেমসন সিংহনা মিনিট ৫ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ এ শিঙজিৎনা সিংহনা মিনট ১০ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা ৱাই সি জি সি চাজিং কোঞ্জেং লৈকাইগী জর্সি নম্বর ১৭ এ শ্যামচোরোন অমসুং এম আর সি চাজিং মাইরেনখোং লৈকাইগী জর্সি নম্বর ১৪ টি ঐচ দেবেনদা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্টগী মঙাশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-দিগী এন এস য়ু নরানকোঞ্জিল মমাঙ লৈকাই অমদি ঐচ এন এস সি হাওরৈবীনা শান্নখিবা মেটচতা নাকল অনীনা অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙম্নদবদগী দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা গ্রুপ-বিগী এল সি দি সি চাজিং মমাঙ লৈকাই অৱাং অমসুং এন এস এফ সি নরানকোঞ্জিল ময়াই লৈকাইনা অহানবা গ্রাউন্দা শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা গ্রুপ-এগী দি এল সি লংথবাল কুঞ্জা অমদি এল ৱাই এস এস য়ু লিল্লোং লৈকাইনা অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# আর্সনেলনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদবু মায়থিবা পীখ্রে

লন্দন,জনুৱারি ০২ (এজেন্সি)ঃ ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মনুং চন্না ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা ইমারেট ষ্টেদিয়মদা আর্সনেলগী হোম মেটচ ওইনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা শান্নখিবদা আর্সনেলদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

য়ুম্বু আর্সনেলনা মেটচকী মিনিট ৮ চৎপদা মিডফিল্ডর নিকোলাস পেপেগী গোলনা ১-০ দা মাঙজিল থাহনখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাই ৩ ৱাৎলিঙৈদা য়ুম্বুগী দিফেন্দর সোকাদিসনা য়ুনাইটেদকী গোল কিপ্পর দি গিয়াবু তুংওইরমদুনা য়ুম্বুগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু মায়থিবা পীনবগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

লীগ অসিগী মনুং চন্না ঙরাং য়ুমজকৈশা নুমিৎতা ইটিহাদ ষ্টেদিয়মদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী হোম মেটচ ওইনা ইভর্টনগা শান্নখিবা মেটচতা য়ুম্বুনা ইভর্টনবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ ফাওবা গোল চন্নদনা লৈখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফকী অতেনবা মিনিট ৫১ অমসুং ৫৮ তা গ্রাবেল জিজসনা য়ুম্বুগী গোল ২ অদু চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

ভিজিটরগী রিচার্টসননা মিনিট ৭১ দা গোল হন্দোকখ্রবসু মেঞ্চেষ্টর সিটিবু মায় পাকপগী লম্বীদা থিংবা ঙমখিদে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা কেরোরোট ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু নোরৱিস সিটিনা অঙনবা মিনিট ৪ দা তোদ ক্লানৱেগী গোলনা মাঙজিল থাখ্রবসু ভিজিটর খৃষ্টাইল পেলেসকী ৱিকহামনা মিনিট ৮৫ তা গোল হন্দোক্তুনা দ্রো চৎখি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com